# রিয়াজ খানগী গোলনা এ আই এম মায়থীবা পীরগা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ক্বার্টর চঙহনখ্রে

FOOTBALL

| QUARTER FINAL MATCHES |
|---|
| TRAU vs ARC SHILLONG 3-1-2014 (1.30 PM) |
| TRUGPU vs SSB W. BENGAL 4-1-2014 (1.30 PM) |
| SSU vs NEROCA 5-1-2014 (1.30 PM) |
| RFC MIZORAM vs NISA 6-1-2014 (1.30 PM) |



এ আই এমগী রোবিনসন অমদি এস এস য়ুগী রিয়াজ খাননা বোল মুন্নবা হোৎনখিবা।

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* রিয়াজ খাননা ৭০ শুবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এ আই এম) খাবম লমখাইবু মায়থীবা পীরল্লগা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শিংজমৈবু ৫৭ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ক্বার্টর ফাইনেল চঙহনখ্রে।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অরোইবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ ওইনা এস এস য়ু শিংজমৈ অমদি এ আই এমনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মখিদে।

অনীশুবা হাল্ফকী শরুক্তা টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক চঙনবগীদমক য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নখি। হাল্ফ অদুগী হৌগৎলকপগী মিনিট ১০ রোমগী চৎপা অদুৱাইদা এ আই এমনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা ফংখি। এস এস য়ুগী গোলকিপর ৱাই সুরচন্দ্র সিংহনা চেনখৎলকখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা এ আই এমগী ষ্ট্রাইকর টি ঐচ বান্দোনানা পেনাল্টি এরিয়া মতোন্দগী শুংশোয় শোয়দনা গোল চনবা য়াবা মওংদা কাওশিনখিবা বোল অমা এস এস য়ুগী দিফেন্দর ৱাই সচিদানন্দা সিংহনা ক্লিয়র তৌথোকখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে।

এস এস য়ুগী ষ্ট্রাইকর রিয়াজ খাননা ৭০ শুবা মিনিটতা য়াম্না থাজদবা মওংদা এ আই এমগী গোল মাউট তম্না কাওশিন্দুনা নেট নোমহনখিবদগী ১–০ দা মাঙজিল থাখিবগা লোয়ননা মায় পাক্নবগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেটচ অদুবু মিৎয়েং তাখিবা ভাবকশিংনদি টাই ব্রেক কাউনগনি হায়বগী চাউনা আশা তৌখিবা অদু রিয়াজ খাননা নিংবা কাইহনখি। মেটচ অদুগী ৪, ২৪, ৩৯, ৬৩ অমদি ৭৫ শুবা মিনিটতা রেফরিনা এস এস য়ুগী এল গোগোচা সিংহ, সয়িদ ফরিদ, এম দি সহিদুর রহমন, এ আই এমগী টি ঐচ বান্দোনা অমদি এস সুর্জিৎতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী রন্নর্স অপ তাখিবা এস এস য়ু টিম্না ক্বার্টর ফাইনেলদা সি সি মিটকী মমাংগী চেম্পিয়ন নেরোকা শঙাকফমগা থা অসিগী ৫ দা থেংনরগনি।

এস এস য়ুগী ওইনা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি ৱাই সুরচন্দ্র সিংহ, টি রাজু সিংহ, ৱাই সচিদানন্দা সিংহ, এ অরুন সিংহ, কে ঐচ ওকেন সিংহ, এম দি রিয়াজ খান্দ, এম দি ইমরান খান, কে কিরন সিংহ, এল দেৱান সিংহ, এল গোগোচা সিংহ, এম দি সহিদুর রহমন, সহিদ ফরিদ, দব্লিউ দেনিয়েল, কে ঐচ জোলি সিংহ, এম সুর্জিৎ সিংহ, টি আর্জুন, রাজ চৌহান, এল বোবি, টি বিপিন সিংহ, এস আনন্দ সিংহ, ৱাই প্রেমজিৎ সিংহ অমদি এস ঐচ ননাও সিংহনি।

এ আই এমগী শান্নরোইশিং থোই, কে জেমস, এস সুর্জিৎ, এন রাকেস, এল বিনাতোন, এস জোনসন, এম রোবিনসন, সি ঐচ কিষন, টি ঐচ বান্দোনা, সনাতোন, ঙিমনৈরিম কোম, ঐচ ইন্দ্রজিৎ, এম দেবান, কে ঐচ বোনি, টি ঐচ রোসন, এম প্রিয়ানন্দা, কে রোকি, এস দিপক, রোজেন, গীতচন্দ্রা, রাজেশ মৈতে, টি টোনি, এল অজিৎকুমার, বাদল অমদি এন জি রবিনি।

**57TH CC MEET FOOTBALL**

# কম্মন ৱেল্থ গোল্ড মেডালিষ্ট অমদি বেষ্ট লিফটর তাখ্রবী মীরাবাই চনু ওকখ্রে




*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* হৌখিবা চহীগী নবেম্বর ২৫দা মালেসিয়াগী পেনাংদা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেল্থ ৱেট লিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সেনিয়ার কাংলুপকী কে জি ৪৮ দা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা গোল্ড মেডল ৩ লৌরকখ্রবী অমদি হন্দক্তা আসামদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেস্নেল ৱেট লিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা কেটাগোরি অসিমক্তা বেষ্ট লিফটরগী মনা ফঙখ্রবী সাইখোম মীরাবাই চনু ঙসি ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন লম্লাই লোকেল কাউন্সিলনা ওকখ্রে।

সাইখোম মীরাবাইনা ঙসি ইম্ফালদা থুংলবা মতমদা ইমুং মনুং অমদি ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন লম্লাই লোকেল কাউন্সিলগী মীহুৎশিংনা এয়রপোর্টতা ঙাইদুনা লৈনখি। মহাক্না এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মীরাবাইবু লৈ হুক্তুনা হরাও তরাম্না ওকখি।

মীরাবাইনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা, মহাক্না হন্দক মালেসিয়াগী পেনাংদা পাংথোকপা কম্মন ৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেডল অহুম ফংলক্লবা মতুংদা মখা তানা নেস্নেল অমদি ইন্টর্নেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্সিপশিংদা শরুক য়াখিগনি। মসিদা মীয়াম্না মোরেল সপ্পোর্ট পীবিয়ু হায়খি।

তুংদা সাইখোম মীরাবাই চনুগী পোক্লফম নোংপোক ককচিংদা লৈবা ইবুধৌ খল্লাংবা লম্পাক্তা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন লম্লাই লোকেল কাউন্সিলনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

সাইখোম মীরাবাই চনু ইং ২০০৮ তগী ষ্টেট লেভেলগী কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা হৌরকখি। ইং ২০০৯ গী সেপ্টেম্বর ১৩ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা নেস্নেল য়ুঠ অমদি সব জুনিয়র ৱেট লিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইং ২০১১ দা হরিয়ানাদা পাঙথোখিবা ২৩ শুবা ৱুমেন্স জুনিয়র ৱেট লিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তসু সিলভর মেদল ফংখি। চহী অদুমক্তদা থাইলেন্দগী প্রতায়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান জুনিয়র ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখি। এল অরিতা চনু অমদি এস ব্রোজেনগী মখাদা শান্নবা হৌরকখিবনি। ইং ২০১২ তা ম্যান্মারগী থাঙ্গোদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান য়ুঠ অমদি জুনিয়র ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইং ২০১৩ গী দিসেম্বর ২৬তা আসাম্না য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেস্নেল ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা মিরাবাই চনুনা কে জি ৪৮ গী কাংলুপ্তা স্নেপ্তা অনৌবা রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখি।

## হেরোজিৎ নীংশিং গোল্ড কপকী সেলেক্টর ৫ হাপখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী গ্রাস হোক্কী ফিল্ডদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৪ মখাগী ওইবা হেরোজিৎ ৱারিবম মেমোরিয়েল গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী সেলেক্টর ৫ মণিপুর হোক্কীনা হাপখ্রে। সেলেক্টরশিং অদুদি ৱার্ল্ড কপর এল টিকেন সিংহ, হান্নগী এক্স ইন্টরনেস্নেল প্লেয়র এম কুলজিৎ মৈতে, হান্নগী নেস্নেল প্লেয়র এস শ্যামবাবু সিংহ, এফ আই এস কোচ এম রিনাস সিংহ অমদি হান্নগী নেস্নেল প্লেয়র অমসুং সাইগী কোচ সি ঐচ সকুন্তালা দেবীনি। টুর্নামেন্ট অসিদগী খল্লবা শান্নরোইশিংনা লখনৌদা থা অসিগী ২৪ দগী হৌগদৌরিবা অন্দর ১৪ ওল ইন্দিয়া কে দি সিংহ বাবু হোক্কী টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

## দি জি আসাম রাইফলস কপ ইক্বেষ্টরিয়ান চেম্পিয়নসিপ

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ান এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী ২২ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ১১ শুবা দিরেক্টর জেনরেল (দি জি) আসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রেন চেম্পিয়নসিপ পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা জুনিয়র অমসুং সেনিয়রগী টেন্ট পেগিং লেন্স অমসুং সো জম্পিংগী ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর পোনি ব্রিদিং ফার্মদা লাক্তুনা এন্ট্রি তৌরবা য়াগনি হায়রি।

## পোলো শান্নরোইশিংগী ট্রান্সফর পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* মণিপুর হোর্স রাইদিং এণ্ড পোলো এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েসন তৌবা ক্লবশিংগী ২০১৩–১৪গী প্লেয়রশিংগী ইনৌ নৌবা ট্রান্সফর, রেজিষ্টার অমসুং অনৌবা এফিলিয়েসন তৌবা থা অসিগী ৫ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর হোর্স রাইদিং এণ্ড পোলো এসোসিয়েসনগী মণিপুর পোনি ব্রিদিং ফার্মদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## গ্রাস রুটস লিদর্স কোর্স

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* অম্ফানা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা এ আই এফ এফ–অম্ফা গ্রাস রুটস লিদর্স কোর্স অদু থা অসিগী ১৬ তগী ১৮ ফাওবা ফুটবোল ফেদরেসন ওফ অষ্ট্রেলিয়াগী ইন্সট্রক্টরগী মখাদা পাঙথোক্লগনি।

# স্বারেজনা লিভরপুলবু টোপ ফোরগী মনুং চলহনখ্রে
## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ টোটেনহামগী মখুৎতা মায়থীহৌরে

BARCLAYS PREMIER LEAGUE

EPL STANDINGS

| TEAM | MP | W | D | L | P |
|---|---|---|---|---|---|
| Arsenal | 20 | 14 | 3 | 3 | 45 |
| City | 20 | 14 | 2 | 4 | 44 |
| Chelsea | 20 | 13 | 4 | 3 | 43 |
| Liverpool | 20 | 12 | 3 | 5 | 39 |
| Everton | 20 | 10 | 8 | 2 | 38 |



*মায় পাকপগী গোল চনখিবা স্বারেজনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা।*

*লন্দন, জনুৱারি ২ঃ* উরুগ্বেগী ষ্ট্রাইকর লুৱিস স্বারেজগী গোলনা লিভরপুল অমুক হন্না টোপ ফোরগী পোজিসনগী মনুং চলহনখ্রে। ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা লিভরপুলনা হলবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীদুনা পুন্না পোইন্ট ৩৯ ফংদুনা বারক্লে পোইন্ট টেবলগী মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি। সিজন অসিগী ওইনা টাইতলগী লমজেল য়াওবা ঙমদনা লাক্লিবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু টোটেনহামনা গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ব্রেন্দন রোদজরগী টিম লিভরপুলনা সিজন অসিগী টাইতলগীদমক লম্বা কন্না তৌনরিবা চেলসি অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনা অহানবা পোজিসন্দগী মরিশুবা পোজিসন্দা হায়থরকখিবনি। ঙরাংগী মেটচ অদু ৩৬ শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী কাওতিনহোনা কাওরকপা কোর্পর কিক অমদা দিফেন্দর দেনিয়েল এগরনা ফর্ষ্ট হাল্ফতা হেদ্দিংদা গোল অমা চনশিন্দুনা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি। অনীশুবা হাল্ফকী ৫০ শুবা মিনিটতা উরুগুৱেগী ষ্ট্রাইকর লুৱিজ স্বারেজনা ফ্রি কিকতা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু লিভরপুলগা গোল ২–০ দা মায় পাকখিবনি। স্বারেজনা হৌজিক ফাওবদা লীগ অসিদা গোল ২০ চনবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী ১৯ শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী কাওটিনহোগী ফ্রি কিক অমদা স্বারেজনা হেদিংদা গোল অমা ওন্থোকখি অদুবু রেফ্রিনা ওফসাইদ তাই হায়বগী ফ্লেগ উৎপা অমদি টেলিভিজন রিপ্লেগী মতেংনা স্বারেজগী পোজিসন অদু ওফসাইদ নি হায়না গোল অদু লৌখিদে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটসপুরনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীদুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু সিজন অসিগী ওইনা টাইতল লৌবগী আশা অদু মাঙহনখ্রে। টোটেনহামগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ষ্ট্রাইকর এদিবায়র অমদি খৃষ্টিয়ান ইরিকসননা অমদি য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দেনি ৱেলবেক্লা চনখিবনি। য়ুনাইটেদনা হৌজিক আর্সিনেলদগী পোইন্ট ১১ হন্থদুনা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## রবিচন্দ্র ফুটবোলদা কে এফ সি মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* এম রবিচন্দ্র ট্রাস্টনা শিন্দুনা ক্যামগৈ আইদিয়েল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে এফ সি কাঞ্চিপুরনা অই এফ টি সোইবম লৈকাইবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে এফ সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বোরমনিনা ৩৬ অমদি ৫৪ শুবা অনী অমসুং গীটনা ৬১ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। আই এফ টিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ফরনান্দোনা ২৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।


আই এফ টিগী ফালগুনি, আনন্দকুমার অমদি কে এফ সিগী বোরমনিদা রেফ্রিনা মথংশিংনা ২৩, ২৫ অমসুং ৪২ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নগদবা মেটচতা সি এফ সি চজিং লাক্তবদগী এ বি সি ফৈদিঙ্গানা ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে।

# এম য়ু পি সিগী সেলেক্সন ঙসিদগী হৌরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২ঃ* মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রেমিয়র কপ (এম য়ু পি সি)দা শরুক য়ান্নবগী ষ্টেট অসিগী টিম অমা খন্নবগী সেলেক্সন কম্পিটিসন অমা হয়েংদগী ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা আর্টিফিসেল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি। সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল, ফ্লাইয়ো থাংমৈবন্দ, কৃপসা নাওরেমথোং, ৱাই ও এস সি খুরাই, ৱাই দব্লিউ সি মালোম, ৱাই য়ু এফ সি উখুল অমদি বি এম এস সি তৌবুংখোকনি।

নোক আউট বেসিস্তা শান্নগদবা কম্পিটিসন অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ৱাই ও এস সি খুরাই অমদি ৱাই দব্লিউ সি মালোমনা নুংথিলগী পুং ১২.০৫ দা শান্নগনি।












Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*